# হোংলক্লিবা মতমসিগা চান্নগদবা মখলগী অনৌবা হোকি একাদেমি অমত্তং ষ্টেট অসিদা থম্বীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জরি



টি ঐচ অনুরধা
(ওলিম্পিয়ন, হোকি)



(ঙরাংগী মখা...)

চহী অমরোমগী শাংলবা মতম অমা লেপ্পুবা অসিনা ঐহাক খরা কন্না হোৎনদবসু য়ারোই। ইন্দিয়া টিমদা অমুক য়াওননবা হোৎনবা হায়বসি ঐগীদি অচৌবা চেলেঞ্জ অমসু ওইগদৌরিবনি। হৌজিক্তী হকচাংসি ফিট ওইরবনিনা শোইদনা ঙমগনি হায়বগী থাজবদি ঐঙোন দা লৈ। থা অসিগী এপ্রিল ৩০দা ঐহাক পঞ্জাবকীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। হেক য়ৌবগা, হান্নগী রুটিন ৱার্কতুদা ঐহাক প্রেক্টিস তৌরুগনি। সর্ভিসকী মতাংসিদসু জুনিয়র ক্লব ওইনা ২০০৯দা চঙজখিবদু হৌজিক্তী ওলেম্পিক শান্নজরুবদগী ওফিসর রেঙ্কতা প্রামোসন কারকখ্রে। থবক কাবগী মতাংসিনা হৌজিক শান্নজবা ঙম্লিবনিনা দ্যুটিসি হাফ অমত্তং কাই। অদুনা অয়ুক প্রেক্টিস চৎলুরগা চাক-ঈশিং চারগা দ্যুটি তৌরগা নুংথিল পুং ১ ফাওবদং ওই। ওফিসতগী হল্লক্লগা ঙাইহাক পোত্থরগা নুংথিলগী প্রেক্টিস তৌবা হেন্দোক্লা কোন্নে।

অদুগা অমরোমদা ঐহাকসে লাইবক ফরকপা প্লেয়র অমা হায়বদুদি শুকনৎ নত্তে। ঐহাক্লা হনবা নাইদনা হোৎজরকপা, অৱা-অনা কয়া অখাঙ কনবগা লোয়ননা থেংনজরকপগী মপান্না ঙসি ফাওবা ঐহাক শান্নবা ঙমজরকপনি। ঐহাক্লা হোকি পামজরকপসিদি হায়নিংঙাই ৱাহে লৈতে। হঞ্জিন হঞ্জিন তেকপা কায়বা অদুগুম্বসু মশিং খঙলক্তে। শান্নবুঙ হায়বসিদি অমরোমদা অচৌবা লানফম অমগুম্বনি। কৃক-কৃকইন্নদুনা তকখায়ন্দুনা শান্নরক্লবদি মৈ-ঈশিং খঙলক্তে। অদুগা টিম শান্নমীন্নবা অসিদা প্লেয়র অমগা অমগা চাশিন্নবা ৱাংহৌবগী মায়থীরগা হল্লকপা মসিগুম্বসিসু য়াম্না নুংঙাইতে। শান্নবা হায়বসিদা, অপ অমদি দাউন্দ লৈ হায়বসিবুদি চুম্মী। শোইরোইদবা মফমদা, শোইখিদুনা টিম দাউন্দ চৎলগা হল্লকপসিদি থৱায় য়াম্না চাকই।

হন্দক্তী ঐহাকপঞ্জাবহেকয়ৌবগা, ঐগী হান্নগী লাইফতুদা হঞ্জিন্নবা ঙমজবী থাক্তা হোৎনরুরগনি। হকচাং খরা ফগৎলকপা অসিদা, ২০২০গী টোকিও ওলেম্পিক অসিদা অমুক্তং ফজনা শান্নরল্লগা পোত্থাগে হায়বগী ৱাখলসু ফাওরক্লে। ঙম্বা ঙমদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমা ওইরগা ঐহাক লৈজবী থৌনাগা লোয়ননা ফুদোক্লগা অমুক্তংদি শান্নরুখিগনি।

রিও ওলিম্পিক ২০১৬তা লিগ রাউন্দদা লৈহৌবা, ওলিম্পিক মেদল পুরকপা ঙমখিদবদুনা ঐগী শান্নরোই ওইরকপগী পুন্সিদা ঙসিসু মপুং ইফা ফাদবগুম লৈরি। অশোক অপন কয়াসি থোকপীরমদ্রবদি শান্নবসি খরসু ইনিং তম্না নুংঙাইনা শান্নজরমগদবনি। ঐগীদি খোঙদবু শোক্লবসু, কোকতবু শোক্লবসু শাথি শাথিনা শোকপা ঙাক্তা ওইদুনা ফরকপদা মতম য়াম্না চঙই।

অদুগা, লোইশিল্লকপসিদা হায়জনিংবা ৱাফম খরদি, ঐখোয়না মপান ষ্টেটশিংদা ইশাগী স্পোর্টস কেরিয়র কন্ননবা লৈজরক্লিবসি মতম শাংলক্লে। ৱেষ্টর্ন রেলৱে মুম্বাইদা লৈরিবা ইচেশিংদি চহী ২০ হেনবসু য়াওরে। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা হোকিগী প্লেয়রশিং অসি মশিং ফনা য়াম্মী। ঐহাক্লা রেল কোচ্চ ফেক্টরি কপুটালা (পঞ্জাব) তা শান্নদুনা লৈজরক্লিবসিসু, চহী ১০ শুরে। অদুনা হৌজিক্তী ইশাগী ষ্টেটতা লাক্তুনা লৈবা পাম্লক্লে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গা চানবা থবক অমা পিবিরগদি ঐখোয় ইশাগী ষ্টেটতা হল্লক্তুনা লৈনিংই। মখা তাবা পুন্সি অসিদি মণিপুরগী নুপী হোকি শান্নরোই শেমগৎপদসু অঙন্বা থৌদাং লৌজনিংই।

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **হোকিদা মীৎয়েং অমা**

ঐহাক্লা তাজবদা মপান্দা লৈবা সেনিয়র ইচেখরদি য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা লাক্কদৌরে হায়। কয়া য়াম্না চুম্বনো হায়বদুদি খঙদে। ঐগী ওইনসু করিগুম্বা মণিপুরদা লাকপগী অয়াবা পীবিরগদি শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা ওইনা লৈজ নিংই। শান্নবদগী পোত্থারবা মতুংদা ঐনা তৌজনিংবদি কোচগী লাইন্দা লাকচনিংই। অদুগা মণিপুরগী চহী নৌরিবা শান্নরোই কয়া শেমগৎপদা অঙন্বা থৌদাং লৌজনিংই।

মণিপুরদগী হোকি শান্নরোই লেপ্পুনা থোকহন্নিংই। ঐখোয়গী মমাংদা হান্না মিং লৈনা শান্নবীরম্বা সেনিয়র ইচেশিংগী মতুংদা ঐখোয়না অমুক থোক্তুনা শান্নজবদু কোচশিংনসু ঐখোয়বু নুংশিনা তৌবী। মণিপুর ষ্টেটতগী লাকপা প্লেয়রনি হায়রবদি খরা লুম্নসু লৌবী। হোকিদা, ইন্দিয়াগী নুপী টিমগী কেপ্টেন কয়ারক ওইখিবা আর্জুন এৱার্দ লৌবা ঙম্বা শান্নরোই য়াওখিবনা মশান্নসিদদি মণিপুরী নুপীশিং মশক মুন্না খঙবি।

অদুগা থোইদোক্লা পঞ্জনিংবা ৱাফম অমদি মণিপুরদা হোকিগী মঙং তাবা একাদমি অমদি লৈহন্নিংই। গেম খরগীদি একাদমি ফজনা হাংনবসু উরে। হোকিগীসু অমত্তংদি থমহন্নিংই। হোকি ফজনা শান্নদবা মফমদনা একাদমি ফজ ফজনা লিঙনরগা, মণিপুরগুম্বা হোকিদা ওলিম্পিয়ান তরুক থোরকখ্রবা মফমসিদা (পুন্না অতৈ মশান্নশিংগা পুল্লগা ওলেম্পিয়ন ১৭কী মনুংদা) হোকিগী একাদমি অমত্তং থমহঞ্জনিংই। মণিপুর ষ্টেটতা, হোকি শান্নরোই ফজনা শেমগৎপা য়াগনি হায়না খঞ্জে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা, হোকিগী একাদমি অমত্তংদি ফজনা থম্বীয়ু হায়জরি। *(লোইরবা)*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৩

১। ঐহাক মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা য়াওবা নুপানি। মতম অমদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী লূপ (স্পোর্টস এসোসিএসন) অমগী অহানবা প্রসিদেন্টনি। ঐহাক্কী মীং হায়ু।

২। মণিপুরগী টিম অমা কুমজা ১৯৫২দা Nagaon Independence cup তা শরুক য়াখি। মণিপুর টিমনা ফাইনেল শান্নবদা চীংমীগী শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াম্মী। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী য়াওখি। মখোয়গী মমিং হায়ু।

৩। রোয় জোনস ওলিম্পিক্কী বোক্সিং ফাইনেলদা মায়থীবা নংখি। অদুবু মহাক বোক্সিংগী খ্বাইদগী চাউবা ত্রোফি অমা ফংখি। ত্রোফি অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্লা চহী ১৩ শুরকপদা কুমজা ১৯৭২গী ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এসিয়ান বোক্সিংগী পুৱারিদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্সতা মেদল ১৩ ফংলগনি



**ন্যুদিল্লি, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী) ঃ** এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিংনা পুন্না মেদল ১৩ ফংবগী খুদোংচাবা ফংদুনা খ্বাইদগী মেদল মশিং য়াম্না ফংবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি।

ইন্দিয়ানা এসিয়ান বোক্সিং চম্পিয়নসিপ অসিদা হান্নগী চেম্পিয়নসিপতা অহেনবা খুদোংচাবা লৈদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরোই ১৩ য়ৌবা ঙমদুনা য়ামদ্রবদা মেদল ১৩দি ফংবা ঙম্লগনি।

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা পুন্না নুপীগী বোক্সর ৬ অমসুং নুপাগী বোক্সর ৭ সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগদৌরি। করিগুম্বা সেমি ফাইনেল য়ৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী লম্বা অদুবু হয়েং মায়থীবা পীবা ঙম্লগদি শুকশোই শোইদনা সিলভর নৎত্রা গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্লগনি।

# এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী সাইনা, সিন্ধু অমসুং সমির বর্ম্মা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে









**ৱুহান, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী) ঃ** চাইনাগী সিটি ৱুহানদা লৈবা স্পোর্টর্স সেন্টর জিমনেজিয়মদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল, পি বি সিন্ধু অমদি সমির বর্ম্মা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

কম্মন ৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেদল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবী সাইনা নেহৱালনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপ অসিগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইহান হানবা মেচ শান্নখি। মহাক্লা চাইনাগী হান য়ুগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা য়াম্না থাজদবা মওংদা চাইনা শান্নরোই টুর্নামেন্ট অদুদা সিদিং ফংখিদবী হান য়ুনা নেহৱালবু লাকচবা হেন্না শান্নবা ঙমদুনা অহানবা গেম ২১-১২তা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল মহাক্লা শরুক য়াখিবা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা হৌরকপদা খরা শোন্থখ্রবসু মেচ অদুগী ময়াই ওইশিল্লকপা অমদি লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনবা ঙমদুনা মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈবা শান্নরোই কয়াসু মায়থীবা পীবা য়াওখ্রবনি।

ঙসি চাইনাগী হান য়ুনা সাইনা নেহৱালবু অহানবা গেম থোইখ্রবসু অনীশুবা গেমদা সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা হান য়ুবু য়াম্না হেনবা মওংদা ২১-১১দা থোইখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা নেহৱালগী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা চাইনাগী হান য়ুবু ২১-১৭দা থোইদুনা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী এস টকাহসিবু ২১-১৪, ২১-৭দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্লা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী সোইরুনুসিয়াগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকখিবা সমির বর্ম্মানা অহানবা রাউন্দদা জপানগী কে সাকাইবু ৩-১ (২১-১৩, ১৭-২১, ২১-১৮) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্লা অনীশুবা রাউন্দদা হোংকোংগী এন জি কে এলগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী কাংলুপ্তা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা কিদম্বী শ্রিকান্ত পোলেন্দগী শান্নরোই এস ঐচরুসাবিটোনা ১-২ (২১-১৬, ২২-২০)দা মায়থীদুনা অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

# ৱর্ল্ড টেবল টেনিস চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সাথিয়ান গুনসেখরন নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোইশিং লৈহৌরে



**বুটাপেষ্ট, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী) ঃ** হঙ্গেরিগী কোনুং বুটাপেষ্টতা চথুরিবা টেবল টেনিস ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সাথিয়ান গুনসেখরন নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোইশিং মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেনিসকী নম্বর ১ শান্নরোই ওইরিবা সাথিয়ান গুনসেখরন টেবল টেনিস চেম্পয়সিপ অসিদা ২৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্লা ঙসি নুপাগী অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী খৃষ্টিয়ান প্লেটোবু গেম ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

গুনসেখরননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ অদুদা রোমানিয়াগী খৃষ্টিয়ান প্লেটোবু অহানবা গেম অনী ১১-৫, ১১-৯দা থোইদুনা গেম অনী মাংজিল থাখিবনি। অদুবু রোমানিয়াগী শান্নরোই অদুনা অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সাথিয়ানবু ১১-৬তা থোইরগা গেম ১-২দা লৈখি। ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোই অদুনা মখা তাবা গেম অনী ১১-৭, ১১-৬তা থোইদুনা ৪-১দা মায় পাক্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ব্রাজিলগী হুগো কালদেরনাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোই সরত কমাল অনীশুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই টোমিস্লাপ পুকারগা লম্বা তৌনবদা গেম ১-৪দা মায়থীবা নংখি। অহানবা গেম অনী ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই অদুনা ১১-৯, ১২-১০দা থোইখি। অহুমশুবা গেম কমালনা ১১-৮তা থোইরবা মতুং মরীশুবা অমসুং মঙাশুবা গেম অদু ক্রোএসিয়াগী পুকারনা ১১-৪, ১১-৯দা থোইদুনা কমাল লৈহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোই মনিকা বত্র টুর্নামেন্ট অসিগী ২০ শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ টাইপৈগী সেনগী মখুৎতা ২-১১, ৮-১১, ১১-৭, ৭-১১, ৯-১১দা মায়থীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গল শান্নরোই মুখর্জিসু অনীশুবা রাউন্দদা প্যুটো রিকোগী টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬ সিদেদ শান্নরোই দিয়াসকী মখুৎতা ১১-৪, ৮-১১, ১১-৭, ৫-১১, ৩-১১, ৯-১১দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা ১৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র মনিকা বত্র অমসুং সরত কমাল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী হাসিমোটো অমসুং সতোগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেম ৪দা ৩-১১, ৭-১১, ৭-১১, ৪-১১দা মায়থীহৌদুনা অচৌবা মঙলান অমা মাংজখি।

# ইন্দিয়াগী অনকিতানা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ ওইরম্বী ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্তা ষ্টোসুরবু কনমিং ওপনসকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখ্রে





**এনিং, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী) ঃ** চাইনাগী সিটি এনিং ৱুমেন্স টেনিস এসোসিয়েসন (দব্লীয়ু টি এ) টুরগী মনুং চনবা কনমিংস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্তা ষ্টোসুরবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১৭৮তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ ফাওবা য়ৌরুরবী অমদি য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী টাইটলসু ফংবা ঙমখ্রবী ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্তা ষ্টোসুরবু পুং ৩ হেন্না লম্বা তৌনখিবা দব্লীয়ু টি এ কনমিংস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অনকিতা রাইনানা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ ওইরম্বী অমসুং য়ু এস ওপনগী সিলভর মেদলিষ্ট সমান্তা ষ্টোসুরবু ৭-৫, ২-৬, ৭-৫তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

চাইনাগী অতোপ্পা সিটি নাংচাংদা পাঙথোকপা নাংচাং চেলেঞ্জর্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী রামনাথন অহানবা রাউন্দদা মায় পাকখি। মহাক্লা চাইনাগী রিগেলি টেবু ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রামকুমার অমসুং বিষ্ণু বর্ধান টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশু বা রাউন্দদা নেদর্লেন্সকী সেন্দর এরেন্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী খৃষ্টিয়ান সাম্যুল ৱেষ্টবোরনা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামনাথন অমসুং বিষ্ণুবু য়াম্না কোম্না ৬-৪, ৭-৫তা থোইখি।

য়ু এসকী টলাহসিদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৫৪,১৬০গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর্স টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা কলম্বীয়াগী সান্তিয়াগো গিরালদোবু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

নাইজেরিয়দা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ২৫,০০০গী শেলগ মনা লৈবা আই টি এফ টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অহুম মায়থীহৌখি। মায়থীহৌরবশিং অদুদি কুনল অনন্দ, সুরজ প্রবোদ অমসুং সুন্দর প্রসান্তনি।

ইজিপকী কাইরোদা পাঙথোকপা য়ুএস দোল্লর ১৫,০০০ শেলগী মনা লৈবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মোথু অদিত্যা সেনথিলকুমারবু লেবনন্দগী জিওভানি সমনানানা ৬-৪, ৬-২দা অহানবা রাউন্দদা থোইখি।

ইপুধৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯

# সেক্টা বিনা এন পি ৱাই সি চানাবু ২-০দা অমসুং ও এফ সি পুংদোংম্বমনা তোম্বা এফসিবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস) ঃ** ইষ্টর্ন লাইওন ক্লব নোংঙদা অমসুং ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব কামেংনা পুন্না শীন্দুনা ঈ এল সী অমসুং ঈ য়ু সীগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ইবুধৌ পুরৈরোম্বা কপ সভেন এ সাইদ মেন্স মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা সেক্টা বিনা এন পি ৱাই সি চানাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা ও এফ এ পুংদোম্বমনা তোম্বা এফসিবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা সেক্টা বি অমসুং এন পি ৱাই সি চানাগা শান্নখিবা মেচতা সেক্টা বিগী মায়কৈদা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা সেক্টা বিগী ভিমনা অহানবা গোল চন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। এন পি ৱাই সিগী মায়কৈদা শোত্থখিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী অহানবা হাফকী মিনট লোইশিনখিবনা গোল অমত্তা মখা তানা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মখোয় মখোয়গী লালোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চথরকপা হৌনরকখি। অদুবু শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা সেক্টা বিগী মায়কৈদগী হিংনৌনা চনখিবা গোল অদুনা সেক্টা বিনা এন পি ৱাইসিবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা ও এফ এ পুংদোংম্বম অমসুং তোম্বা এফসিগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী হৌনা ও এফ সি পুংদোংম্বম্না বোল হেন্না পায়খি। ও এফ সি পুংদোংম্বমগী মায়কৈদগী মিলননা ৬শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। মদুগী মতুংদা মিনট ২৩দা অমুক মিলননা চন্দুনা টিম অদুগী গোল একাউন্টতা ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা অমসুং ৪৬ মিনটতা ও এফ সি পুংদোংম্বমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মিলননা অমুক চনখিবগা গোল অদুনা মেচ অদু মখোয়না ৪-০দা মাংজিল থাখি। পাঞ্জল ৪ শোত্থদুনা লৈরিবা তোম্বা এফ সিগী মায়কৈদগী টিম অদুগী টি ঐচ ঙৌথোইনা মিনট ৪৭তা চনখিবা গোল অদু নত্তনা চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু ও এফ সি পুংদোংম্বম্না তোম্বা এফ সিবু ৪-১দা মায়থীবা পীরমখি।